# ঙসিদগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম ইস্যু কয়ানা মরম ওইদুনা চরাংনবা থোক্লবা য়াই



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিৎ নভেম্বর ২৯দগী দিসেম্বর ২৩ ফাওবা চত্থগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ফার্ম লোশিং ৱিদো তৌবা, ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি মীখল, কোংগ্রেসকী লুচিংবা মনিশ তিৱারিগী লাইরিক্তা পল্লিবা ৱাফমশিংনচিংবা মখল-মখা কয়াগী ইস্যু কয়ানা মরম ওইদুনা চরাংনবা থোক্লবা য়াই হায়রি।
লৌমীশিংগী ইস্যুশিং, নেসনল সিক্যুরিটি, ইকনোমিগী মতাংদা ওপোজিসননা রুলিং বি জে পিদা প্রেশর পীননবা ষ্ট্রেটিজি অমা পুথোক্লি। অমরোমদা বি জে পিনা ওপোজিসনগী এটেকশিং কাওন্টর তৌনবা শেম-শাবা লোইখ্রে।
চাইনানা লৈবাক অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা হেঞ্জিল্লকপা অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ওপোজিসননা গভর্ণমেন্টপু গেরাও তৌগদৌরি। অমরোমদা, ২৬/১১ মুম্বাই টেরর এটেকশিংগা মরী লৈননা তিৱারিগা মরী লৈননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমগী মতাংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা গ্রান্দ ওল্ড পার্টিগী লীদরশিপতা এটেক তৌগদৌরি।
কোংগ্রেস পার্টিদা টার্গেট তৌরদুনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দানা হায়, কুমজা ২০০৮ দা চত্থখিবা মুম্বাই টেরর এটেকশিংগী মতাংদা মতমদুগী মনমোহন সিংহ গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদুনা য়ু পি এগী অশোনবা উখোকচৈ হায়বসি বি জে পিনা মতম চুপ্পদা ফোঙদোক্তুনা লাকপা ৱাফম্নি। য়ু পি এগী অশোনবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরকখিবনি। হৌজিক্তি পার্টি অসিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা তিৱারিনসু মশানা ইজবা লাইরিক্তা ৱাফম অসি য়াজরে।
কুমজা ২০০৮গী মুম্বাই টেরর এটেকশিং অদুগী মতুংদা য়ু পি এনা তূমীন্না লৈশিনবগী থৌওং চত্থখিবা অদুগা মোদি গভর্ণমেন্টকী মতমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং পাঙথোকখিবগা চাংদম্নদুনা বি জে পিনা কোংগ্রেসতা প্রেসর পীনবা হোৎনরক্কদৌরি। অমরোমদা, কোংগ্রেসনসু মোদি গভর্ণমেন্টপু রাফেল দীলগী মতাংদা টার্গেট তৌগদৌরি। মতাং অসিদসু বি জে পিনা ফ্রেঞ্চ মীদিয়া মেদিপার্টকী রিপোর্টকা লোয়ননা কাওন্টর এটেক তৌগদৌরি অমদি কুমজা ২০০৭তগী ২০১২গী ফাওবগী মনুংদা রাফেল জেট ৩৬ লৈবগা মরী লৈননা লুপা ক্রোর ৬৫গী কম্মিসন কনানা লৌখিবগে হায়বসিদা গ্রান্দ ওল্ড পার্টি অসিগী লীদরশিপ্তা ৱাহং কয়া হংগদৌরি।
ফার্ম ইস্যুশিংগী মতাংদা পীক্লা থবক তৌবা ফার্মর চাদা ৮০গী ৱেলফেয়র-গীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা ফার্ম লো অহুম পুথোকপনি হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।
পেট্রোল অমসুং দীজলগী মমল হেনগৎলকপা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক নীংথিনা মেনেজ তৌদবগী মতাংদা ওপোজিসননা গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরক্লবসু বি জে পিনা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মওংদা লৈবাক অসিদা পাক-শন্না ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চত্থদুনা অতেনবা মতমদা য়াম্না মীশিং কোভরেজ তৌখিবগী ৱাফম পুথোক্কদৌরি।
পেন্দমিক অমসুং নেসনল ইস্যুশিংগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌবগীদমক্তসু বি জে পিনা ওপোজিসনবু চৈগদৌরি। অমরোমদা ওপোজিসননা গভর্ণমেন্টপু পেগাসস স্নুপিং রোগী মতাংদা এটেক তৌগদৌরি।

# সাওথ অফ্রিকাগী কোভিদ ভেরিএন্ট থেংনবদা ভেক্সিননা খ্বাইদগী ফবা ওপসননি: এক্সপর্টশিং

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
সাওথ অফ্রিকাদা দিটেক্ট তৌখিবা অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী মতাংদা ভেক্সিননা খ্বাইদগী ফবা ওপসননি হায়না হেল্থ এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হন্দক্তা ইনৌ নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট অসিনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংদা শোকহল্লকপা য়াই হায়না এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোকখি।
হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ভেক্সিন কাপ্পা অসিনা খ্বাইদগী ফবা ওপসননি অমসুং অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট অসি থেংনবদা ভেক্সিনেসননা অচৌবা অহোংবা অমা লৈহনবা য়াই হায়না এক্সপর্টশিংনা থাজরি।
ফোর্টিস এস্কোর্টস হোস্পিটাল ফরিদবাদকী এদিসনল দিরেক্টর পলমোনোলোজি রবি শেখর ঝানা হায়, ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিং অনৌবা ভেরিএন্ট অসিনা ফিভম থীনা নাহল্লকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ।
ঝানা মখা তানা হায়, ভেক্সিনেসননা হৌজিক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ওপসননি। মসিনা খেন্নবা পুরকপদা মতেং পাংগনি। এক্সপর্টশিংনা হায়রি মদুদি, কোরোনাভাইরস পেন্দমিক লোইদ্রি হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্না খঙগদবনি। সোসল দিষ্টেন্সিং য়াওনা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং খূদিংমক মখা তানা লৌখৎকদবনি।
শ্রী বালাজি এক্সন মেদিকেল ইন্সটিট্যুট (ন্যু দেল্লী)গী রেস্পিরেটরি মেদিসিনগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট ওইরিবা এনিমেশনা হায়, অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট ওমিক্রোন অসি মমাঙগী কোভিদ-১৯ ষ্ট্রেনশিংদগী ম্যুটেসন কয়া লৈরে। মহাক্না মখা তানা হায়, অনৌবা ভেরিএন্ট অসিবু লৈবাক অসিদা শন্দোরকপা থিংবদা মতেং ওইগদবা খ্বাইদগী ইফেক্টিভ ওইবা পান্থেৱশিংদি মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপা অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট ভিহেবিয়র ঙাকপা অসিনি।
হৌজিক সাইন্টিষ্টশিংনা সাওথ অফ্রিকাদা থেংনরিবা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী মরমদা ৱানরিবনি। মখোয়না কীরিবদি ভেরিএন্ট অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদা লাইচৎ শন্দোক-হন্দুনা লৈবাক পূম্নগী হেল্থ সিষ্টেম-শিংদা চৈথেং পীরক্কনি হায়বসিনি।
ইন্দিয়ন হেল্থ এক্সপর্টশিংগী মতুং ইন্না অহুমশুবা কোভিদ ৱেভ অমা লাক্কদৌরি হায়না প্রিদক্সন তৌবা অসি হৌজিক্কী ওইনদি খরা ঙনমল্লি হায়না লৌনৈ। অদুম ওইনমক, লৈবাক অসিদা হৌখিবা থা কয়া অসিদা মীয়ামদা চেকশিন্দবগী মমি তাবগুম উরি।
ওমিক্রোননা লৈবাক অসিদা নেগেটিভ ইফেক্ট অমা লাকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না এক্সপর্টশিংনা লৌরি। মীয়াম্না অনীশুবা ৱেভ কল্লিনঙৈ মতমদা চেকশিন্নখিবগুম মখা তানা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী থৌরাংশিং লেপ্পুনা লৌখৎকদবনি।
সাওথ অফ্রিকাগী হেল্থ ওফিসল-শিংনা হায়রিবদি অনৌবা ভেরিএন্ট অদু সাইন্টিষ্টশিংনা হান্না থাজনরম্নদগী হেন্না ম্যুটেসন মশিং য়াম্মী। ভেরিএন্ট অসিগী ম্যুটেসন কয়ানা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমদগী থৈনবা হোৎনরকপদা নত্তনা লায়না অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। দব্লিয়ু এচ ওগী মতুং ইন্না অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী ইম্পেক্ট লেপথোকপদা চয়োল কয়া চঙবা য়াই হায়রি।

# য়ুনিভর্সিটি উরেপ উয়ুং তম্লগনি

লক্ষৌ, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২দা উত্তর প্রদেশকী বিহার এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী শাহরানপুরদা মা শাকুম্বারি দেবী য়ুনিভর্সিটি শানবগী উরেপ উয়ুং তম্লগনি।
শাহগী খোঙচৎ অদু অয়াম্বনা উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা জাৎ কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিং ওইবা ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংবু বি জে পিনা থেম্নবা হোৎনরকপনি হায়না লৌনরি। য়ুনিভর্সিটি অদুবু মা শাকুম্বারিগী মমিং লৌরগা থোনগনি হায়না লাউথোকখিবা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাঠসু থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি। শাহরানপুরগী হান্নগী এম পি রঘভ লখন পালনা ফোঙদোরকপদা, য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎনবগী দিমান্দ অসি মতম কুইরক্লবনি। মসিনা নহারোলশিংগী মথৌ তাবশিং ফংহনবদা মতেং ওইরগনি।

# ওজা ৫,০০০ হেন্না ভেক্সিন কাপত্রি

থিরুবনন্থপুরম, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
কেরলাগী ওজা ৫,০০০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রি হায়না ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ভি সিভাকুট্টিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।
মিনিষ্টর অসিনা হায়, ওজাশিংনা অসুম্না হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপত্রিবসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। অঙাংশিংগী সিক্যুরিটি হায়বসি গভর্ণমেন্টতা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপত্রিবা ওজাশিংগী চপ চাবা মশিং খঙবা ঙমদ্রি। বি জে পিগী নেসনল ইগজেক্যুটিভ মেম্বর অমসুং হান্নগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কৃষ্ণদাসনা এজেন্সীদা ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দেটাদা ভেক্সিন কাপত্রিবা ওজাশিংগী মশিং য়াওদে হায়বদগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা গভর্ণমেন্টপু চৈরেকখিবনি।

# সেপ্টিক টেঙ্ক শেংবদা লেবর অনী শিরে

হাইদরবাদ, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
নোংমাইজিং নুমিৎতা হাইদরবাদতা সেপ্টিক টেঙ্ক অমা শেংবদা লেবরর অনী শ্বর ফুন্দুনা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা মশা নাবদগী হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।
থৌদোক অদু কোন্দাপুর এরিয়াগী গৌতমি এনক্লেবতা থোকখিবনি। পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, লেবররশিং অদু এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমগী সেপ্টিক টেঙ্ক শেংলিঙৈদা খঙহৌদনা লেকথরকখিবগা লোয়নন শিখিবনি।
অহানবদা লেবরর অনী সেপ্টিক টেঙ্ক অদুদা চঙখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় শ্বর ফুল্লে হায়রগা মনুংদগী থোরকখি। মদুগী মতুং ঙাইহাক লৈরগা চঙখিবা অতোপ্পা লেবরর অনী হু চেনবা গ্যাস হোঞ্জিনবদগী লেকথরকখি অমসুং মখোয় খূদক্তা শিখি। ফায়র সর্ভিসশিং অমসুং পুলিস পর্সনলশিংনা অশিবা হকচাং অনী অদু লৌথোকখি অমসুং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক হোস্পিটাল অমদা পুখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমনা হাইদরবাদকী চম্পাপেটতগীনি অমসুং অমনা নালগোন্দা দিষ্ট্রিক্তগীনি।
সেপ্টিক টেঙ্ক শেংবা চঙলুবদা মশা নারকখিবা অতৈ অতোপ্পা লেবরর অনী হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি। পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে। ফায়র সর্ভিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, ৱর্কররশিং অদু সেফটি গেয়র অমত্তা শীজিন্নদবদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।
লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুংগী মীওইশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা জষ্টিস দিমান্দ তৌদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।
এপার্টমেন্টকী মপুশিংনা ওনলাইনগী খূথাংদা কন্ট্রেক্ট অমা কন্টেক্ট তৌদুনা সেপ্টিক টেঙ্ক অদুবু শেংদোক্লুবা হোৎনখিবনি। শেংদোকপগী থবক অদুগা মরী লৈননা টেঙ্কর অমা দিপ্লোয় তৌখি। তৌইগুম্বসুং থবক লোইশিনবা ঙমদবদগী কন্ট্রেক্ট অদুনা দ্রেনদা পন্দুনা লৈরিবদু শেংদোক্লুবা লেবররশিং ফাখিবনি।

# মাইসুরু গেং রেপ কেস: কর্নাটকা পুলিসনা লামায় ১,৪৯৯গী চার্জসিট সবমিট তৌখ্রে

মাইসুরু, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
মাইসুরু গেং রেপ কেসকা মরী লৈননা কর্নাটকা পুলিসনা একুজ তরুক্কী মায়োক্তা লোকল মেজিষ্ট্রেট কোর্টতা লামায় ১,৪৯৯ গী চার্জসিট সবমিট তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।
পুলিস সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না মীওই অমগী মায়োক্তা তৌবা চার্জশিং থৌদোক অদুদা মহাক্না থৌদাং য়ারমদবদগী দ্রোপ তৌখ্রে। পুলিসনা অতৈ একুজশিং অদু আই পি সীগী সেক্সনশিং ৩৯৭, ৩৭৬বি, ১২০বি, ৩৩৪, ৩২৫ অমসুং ৩২৬ কী মখাদা বূক তৌখ্রে। কোর্টনা কেস অসি পায়খৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।
গেং রেপকী থৌদোক অদু হৌখিবা ওগষ্ট ২৪দা থোকখিবনি। ভিক্টিম অদু কোলেজগী মতম লোইরবা মতুংদা মহাক্কী খঙনবা নুপা অমগা লোয়ননা চামুন্দি হিলগা নক্নবা অচিকপা মফম অমদা চৎখিবনি। মীওই তরেৎনা মখোয়বু এটেক তৌখি অমদি নুপী অদুবু সেক্স্যুএল এসোল্ট চত্থখিবগা লোয়ননা মহাক্কা লোয়নরিবা নুপা অদুদগী লুপা লাখ ৩গী রেন্সম দিমান্দ তৌখি। মদুগী মতুংদা ভিক্টিমশিং অদু প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি।
পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টামিল নাদুদগী মীওই তরেৎ ফাখি। মরাল লৈবা মীওইশিং ফাও হায়না দিমান্দ তৌরদুনা মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুনা কর্নাটকাদা চরাংনবা থোকহনখি।

# এম পি গম্ভিরদা আই এস আই এস-কেনা কিহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
হান্নগী ক্রিকেটর অমসুং বি জে পিগী এম পি গৌতম গম্ভিরদা আই এস আই এস-কাশ্মিরনা অতোপ্পা ঈ-মেল অমা থাজিল্লক্তুনা অমুক হন্না কিহল্লক্লে হায়রি।
নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা গ্রুপ অসিনা এম পি অসিদা মান্নবা ঈ-মেল অমা থাজিল্লক্তুনা কিহনখিবা মতুংদা মখা তানা অমুক মহাকপু কিহল্লকপনি। এজেন্সিনা য়েংবা ফংখিবা অনৌবা ঈ-মেল অদুনা হায়রিবদি দেল্লী পুলিস অমসুং আই পি স্বেটানা ঐখোয়দা অথিংবা অমত্তা পীবা ঙম্লোই। পুলিসতসু ঐখোয়গী স্পাইশিং লৈ।
আই পি এস স্বেতা চৌহান হৌজিক নেসনল কেপিটেলগী সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্তা দি সী পি ওইনা থৌ পুরিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পূং ১.৩৭ তাবদা থারকখিবা ঈ-মেল অদুনা মখা তানা হায়রিবদি, ইষ্ট দেল্লী বি জে পি এম পি অসিগী ইনফোর্মেসন অমা ফংলে। শুপ্নগী নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদা গ্রুপ অসিমক্না গম্ভিরদা মান্নবা ঈ-মেল অমা থাজিন্দুনা কিহনখিবনি।
গম্ভিরগী পি এস গৌরব অরোরানা দি সী পি স্বেতা চৌহানদা ফাইল তৌবা কমপ্লেন অদুনা হায়, মমাঙগী ঈ-মেলগুম্না অনৌবা ঈ-মেল অদুনসু এম পি গম্ভির অমদি মহাক্কী ইমুংদা হাৎকনি হায়না কিহল্লি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এক্সিদেন্ট অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিরে

কোলকটা, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নাদিয়া দিষ্ট্রিক্টকী হাসখালিদা ষ্টেট হায়ৱে অমদা থোকখিবা লম্বীগী অচৌবা এক্সিদেন্ট অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নংখ্রে।



পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদু নোঙাল্লমদাই পূং ৩লোম তাবদা থোকখিবনি। অশিবা হকচাং অমা য়াওবা মী চিন্না তোংবা মতাদোর অমা দ্রাইভরনা কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈবা নুঙ পুবা ট্রক অমদা থোমজিনখিবনি।
দ্রাইভরনা কন্ট্রোল ঙমখিদবা অশিবা হকচাং অমা পুরিবা মতাদোর অদুদা পেসেঞ্জর ৩০মুক তোংখি। নবদ্বিপ তম্না লাকখিবা মতাদোর অদুনা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈবা ট্রক অদুদা শাফূ কন্না থোমজিনখি।
সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মতাদোর অদুদা পুরক্লিবা অশিবা হকচাং অদু নোর্থ-২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্তগীনি অমসুং মদু ক্রিমিটোরিয়মদা পুরিবনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে। ইনিসিএল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই ১১ খূদক্তা শিখি অমসুং অতৈ ৯না ফিভম থীনা শোকপগা লোয়ননা শক্তিনগরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অদুদা মীওই তরেৎ মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।
মীওই অনী কোলকটাদা লৈবা এন আর এস মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালসতা ট্রান্সফর তৌখি। মখোয়গী ফিভম লুনা লৈরি।
লোকল মীওইশিংনা এক্সিদেন্ট থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংনখি অমসুং মখোয়না পুলিসতা পীখি। পাউ ফংলবা মতুংদা পুলিস টিম অমা মফমদুদা লাক্তুনা অশোকপশিংদু হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি। হৌজিক পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌরে। তৌইগুম্বসুং মতাদোর অদুগী দ্রাইভর হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রবরা হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি হায়না ওফিসর অসিনা মখা তাখি। লাইবক থিবা এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই কয়া শিখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর জগদীপ ধনখরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# এক্স মিনিষ্টরগী মচানুপা ট্রক হায়জেক তৌবগী ফারে

চেন্নাই, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী টুটিকোরিন রুরেল পুলিসনা মশাগী চহী ৩৮ শুরবা গনরাজ জেবাসিংহ অমসুং অতৈ মীওই তরুক টোকিওদা এক্সপোর্ট তৌগদবা কস্যু নট টন ১৬.৫ পুরিবা ট্রক অমা হায়জেক তৌরম্বগীদমক ফারে হায়রি।
গননারাজ জেবাসিংহ অসি কুমজা ২০১১-২০১৬দা জয়াললিতা কেবিনেটতা লেবর মিনিষ্টর ওইখিবা এস টি চেল্লাপান্দিয়ানগী মচানুপানি। পুলিসনা হায়, লুপা ক্রোর ১.২ রোমগী ওইগদবা কস্যু নট টন ১৬.৫ পুবা ট্রক অমা কন্যাকুমারি দিষ্ট্রিক্টকী কিল্লিয়ুরদা লৈবা ফেক্টরিদগী টুটিকোরিন কোর্ট তম্না লাকখি। কস্যু নটশিং অদু টোকিওদা থাখিনবগীদমক পোর্ট অসি তম্না পুরকখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না গেং অদুনা ট্রক অদু কন্যাকুমারি থাদোকখিবা মতমদগী শেন্নদুনা লাকখি। ট্রক অদুনা দেভস্যলাপুরম য়ৌবা মতমদা গেং অদুনা গাড়ী অদু ইন্টরসেপ্ট তৌখি অমসুং দ্রাইভর হরিবু মখোয়না থাঙ পায়রগা কিহন্দুনা ফাখি। গেং অদুনা মতুং তাবদা কস্যু নট য়াওবা ট্রক অদু মফম অদুদগী থৌদোকখি।
গাড়ী অদুগী মপুনা মহাক্কী কন্সাইনমেন্ট অদু হায়জেক তৌরে হায়বসি খঙলকপদগী পুদুকোটাই পুলিস ষ্টেসনদা কমেপ্লন্ট তৌখি। এ এস পি, চান্দিসনা লুচিংবা টুটিকোরিন পুলিসনা গাড়ী অদুবু তান্নখি অমসুং মখোয়না দ্রাইভর হরি লমখাংদা লৈরম্বা থেংনখি। ট্রক অদুগী নেমপ্লেট হোংলমখি অমসুং গাড়ী অদুনা ভাসাভাপুরম চেক পোষ্ট থাদোকখিবদগী ওরেঞ্জ মচুগী এম য়ু ভি অমনা মদুবু ইন্নরকখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। পুলিসনা টিম অদুনা এম য়ু ভি অদুগী নম্বর আইদেন্টিফায় তৌখি অমসুং মপুদুগী নম্বর খঙলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মোবাইল ফোন ট্রেক তৌখি অমসুং জেবাসিংহ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা নমকলগী ইটরি অমদগী ফাখি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII-KAK**
**Ref :- Mutation Case No. 527/AS & SO/VIII-Kak of 2021**
Thokchom Birsana Singh S/o (L) Tamu Singh of Lamjao Mayai Leikai. - Petitioner
-Vs-
(Late) Thokchom Tamu Singh S/o (L) Dharmo Singh of Lamjao Mayai Leikai. - OPP
**NOTICE**
Kakching, the 27th November, 2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং সব-দিভিজন খুল নং ৬৯-ময়েংলমজাও পাট্টা নং ১১২ অরিবা, ৮০/৬৫৭ অনৌবা, দাগ নং ৭৫১/৯১৪ এরিয়া .৬৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারী ওইদুনা দংকারীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৫/১২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবিগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।
Sd/- **K. Niranjan Singh**
HL-P/0774/29 Asst. Survey & Settlement Officer-VIII-Kak


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII-KAK**
**Ref :- Mutation Case No. 526/AS & SO/VIII-Kak of 2021**
Haobam Binapani Devi W/o Yumnam Tarakeshwar Singh of Singjamei Chinga Mathak Pishum, Imphal. - Petitioner
-Vs-
(Late) Haobam Ongbi Binodini Devi W/o Nabakumar Singh of Singjamei Nameirakpam Leikai. - OPP
**NOTICE**
Kakching, the 27th November, 2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নং ৯৮৫ দাগ নং ৩৩৪২ এরিয়া ১.৫৭ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারীনা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৫/১২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবিগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।
Sd/- **K. Niranjan Singh**
HL-P/0774/29 Asst. Survey & Settlement Officer-VIII-Kak

# শামু অহুম শিখিবগী মতাংদা লোকো পাইলোট ২ বূক তৌখ্রে



চেন্নাই, নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী):
রেলৱে ট্রেক লাল্লিবা শামু হাৎপগীদমক্তা লোকো পাইলোট অনী ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট সেক্সন-৯গী মখাদা চার্জ তৌখ্রে।
কেস অদু থাংজ নুমিৎতা ফাইল তৌখিবনি অমসুং থৌদোক অদুনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৯ তাবা মতমদা থোকখিবনি। মরু ওইবা লোকো পাইলোট এম টি অমসুং এসিষ্টেন্ট লোকো পাইলোট এম সিবু চার্জ তৌখি।
পাইলোট অনী অসিনা ইরাই নুমিৎতা মেঙ্গলোর-চেন্নাই এক্সপ্রেস ১২৬০২ ওপরেট তৌখি। মখোয় ৱাইল্ডলাইফ এক্টকী মখাদা চার্জ তৌখি। টামিল নাদুগী প্রিন্সিপাল কজ র্ভেটর ফোর ফোরেষ্ট অমসুং চীফ ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন সেখর কুমার নিরাজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা লোকো পাইলোটশিং অদু ষ্টেটমেন্ট লৌরবা মতুংদা থাদোকখি।
ইনভেষ্টিগেসনদা কোর্পোরেসন পীগনি হায়না লোকো পাইলোট অনীমক্না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা থাজবা পীখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
এক্সিদেন্ট থোক্লিবা ট্রেক অদু চুমদ্রিং চুম্বনা লোকো পাইলোটশিংনা ট্রেকতা চৎলিবা শামুশিং উফম থোকপনা মরম ওইদুনা লোকো পাইলোট অনীমক্না ট্রেন অদু হেন্দল তৌবদা থৌশাখিদে হায়না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থাজরি। লোকো পাইলোটশিংগী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লৌরিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা সাওদর্ন রেলৱেজনা ট্বীটর পোষ্টকী খূথাংদা হায়, রেলৱেজনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা কোওপরেসন নীংথিনা পীগনি। হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি।
লোকো পাইলোটশিং মথৌদা চেকশিনখিদে নৎত্রগা থৌশাখিদে হায়বা ক্লেম অসি শৌগৎকদবা ইভিদেন্স অমত্তা হৌজিক লৈতে। মসি ওইথোকপা য়াবা ৱাফম অমা ওইনা খন্নবখক্তনি।
টামিল নাদু ফোরেষ্ট কঞ্জর্ভেটর এস বালাসুব্রমনিয়ননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন মতুংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা কমপ্লেন্ট অমা তৌখি। সাওদর্ন রেলৱেগী য়ুনিয়ন মেম্বরশিং অমসুং লোকো পাইলোট এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা কোইম্বাটোরদগী মেম্বর মঙাগী ফোরেষ্ট টিম অমগা লোয়ননা পালাকাদতা পূনখি।

**COMPETITIVE SUCCESS TUTORIALS**
**URIPOK OVERBRIDGE POINT, IMPHAL 795001**
**REGISTRATION OPEN**
**Regular course for Medical & Engineering Exam 2022**
**Foundation Course for Class XI-XII Science.**
**Class starts on 6th December 2021 with proper SOP**
**(Morning – 6.00 a.m. to 8.00 a.m.) & (Evening - 4 pm. to 7.30 pm)**
**Course fee: Rs. 4500 per subject for class XI & XII science**



Advisor & Administrator
Dr. K. Nabachandra
Ex Principal DM College
Retd. Principal MIT Takyel

Dr. Ch. Dhananjoy Singh
(Biology Lecturer)
Former Lecturer (Zoo)
DM College of Science
15 year of Teaching Exp.

Ch. Naoba Singh
(Physics Lecturer)
AIEEE Topper (2008)
KIIT University, Orissa
5 year of Teaching Exp.

Dr. Khaidem Binky
(Biology Lecturer)
M.Sc, Ph.D Biology
Former Lect. COMET
7 year of Teaching Exp.

Bandana Chongtham
(English Lecturer)
M.A, English 1st Class
Manipur University
7 year of Teaching Exp.

Th. Rutanjit Singh
(Chemistry Lecturer)
M.Sc Chemistry
Former Lect. Millenium
4 years at AAKASH

S. Thouba Singh
(Maths Lecturer)
V T University
4 yrs of Teaching Exp.

**Subjects: Maths, Physics, Chemistry, Biology & English**
**For more details please contact : 9862698495, 9612846299**
HL-P/0764/27,28,29,30,1,2,3